# আশা অমসুং অকিবা

মালেমদা কন-থৌরবা মিলিটরি শক্তি অমা ওইনা অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা মঙক হাইগৎলকখিবা জপান, হিরোসিমা অমসুং নাগাশাকিদা অমেরিকানা এটোম বোম থাদদুনা জপানগী নাপল থুদেকখি। মায়থীনি খনখিদবা জপানিজ ফোর্স, এল্লাইদ ফোর্সতা চঙজখি। মীওইবগী মতৌ মাঙখ্রবা হিরোসিমা অমসুং নাগাশাকিগী শক্তমদুনা জপানিজ মচা খুদিংমকপু অকিবনা লাকহৎখি। অদুবু অকিবনা লাকহৎলবা জপানিজশিংগী আশাদুদি মাঙখিদে। আশাদুনা অকিবদু নমহৎখি। চহী খরগী তুং, মাঙ তাকখ্রবা জপানিজ নেসন ইকনমিক পাৱর অমা ওইরকখি। মাঙ-তাক্লবই মশক ওইরবা লানগী পোলিসি তুংওইনখি।

'মাগী লমদা নুমিৎ তাবা লৈতে' হায়নরম্বা বৃটিস সম্রাজ্যগী মায়োক্তা থেংনখিবা ইন্দিয়াগী নীংতম লান 'আশা' কৌবা মীওইবগী ৱাখল-লীচিং অদুনা লমজিংলগনি। কল্লবা বৃটিসকী মিলিটরি শক্তিবু ফৈজোম শেৎপা, ফুরিৎ লীত্তবা, খূৎলায় পায়দবা গান্ধী'না 'খজায়দা খূপাক থারক্লবদি অতোপ্পা খজায় নামদুদসু থাহল্লু' হায়বা থৌশিলদুগা লোয়ননা মায়োক্লগনি খনখিবা - মায় পাকপই মঙ কনানা মঙলমগদগে? অদুবু, মীয়াম্না গান্ধী'দা থাজখি, মখোয়গী আশা মাঙখিদে, ইন্দিয়া নীংতম্লকখি। গান্ধী'না ফিদম ওইদুনা খা-অফ্রিকাগী লুচিংবা 'ডাক্টর নেলসন মন্দেলা'না জাৎ-কুচু-নাইবা থৌশিলদুগী মায়োক্তা লান্থেংনখি। চহী ২৭ কৈশুমশঙদা নমশিন্দুনা থমখি। মহাক্কী আশা কায়খিদে। থৌশিল অদু লোইশিনখি। কৈশুমশঙদগী থোরক্লগা প্রসিদেন্ট ফাওবা ওইরকখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী পাউরৌ অমা লৈ… 'নুমিত্তা মীৎয়েং থল্লবা, মমি উবা ফংদবনি'…। থোইনা লুনা খল্লুদে, করি হায়রিনো খঙলুদে। মুন্না খল্লুরগা খঙলকই - মীওইবগী মীৎয়েং অমদি আশাগা মরী লৈনরম্মী। স্পেস এক্সপ্লোরেসন - অহাঙবা তরঙ-মালংসিবু থিজিন-হুমজিন তৌগনি, অহাঙববু জয় তৌগনি খল্লকখিবা মীওইবগী ৱাখল-আশানা ময়োন চোংলকপনি। অতিয়াগী থাজদা 'নচা মোরাম্বী পোবীগে হৈবোং চরোং থাদবীরকউ' শৈথারম্বা মীওইবনা থাদা খোঙ্গুল তারুবা আশানা লমজিংলগনি, আশাদুনা ঙসিসু 'মঙ্গল-গ্রহ' (মার্চ) তা খুদারুগনি -মঙ মঙলি মীওইবনা।

আশা অমসুং অকিবা! অনীমক পূক্লিং ইহুল ঙাক্তনি। আশানা মীওইববু পুন্সি খোঙচৎ অসিদা মাঙলোমদা পুখৎলি। অদুগা, অকিবা হায়বসিনা, খোঙচৎসিদা খোঙথাংসি মাঙদা থাংবা ঙমহন্দে। ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাকসিদা, নোংমগী চরা অমা চাবা ফংদ্রবা লায়রবা মী লৈমশীং থিঙমদনা। চাদ্রবদি শিগনি-খঙদবা মীওইবা লৈরম্লোই। নোংমই ৱা নত্তবা, নীনি-হুমনি-মরিনি চাবা ফংদ্রবা মীওইবা - মখোয়বু হিংহল্লিবসি 'হয়েংদি শোয়দনা পুক থন্না চাগনি' হায়বা আশা অদুননি। 'মেন দজ নোট লিব বাই ব্রেদ এলোন' - চাকখল্লা মীওইববু হিংহনবা নত্তে … পূমকক চাউরকপা মতমদা এসে ইয়ু হায়দুনা ওজানা য়াম্না হায়গনখিবা ৱাফমনি। ঙসিতমক ৱাখল তারকই।

মশীং খঙদ্রবা মীওইবা মশেল শোক্লখিবা লানফম কয়াগী মতুংদা মালেমগী ওইবা (পৃথিবীগী) লাঞ্জাও অনী থোকখ্রবগী মতুংদা, অতোপ্পা অহুমশুবা লাঞ্জাও অমা থোক্তনবা, লৈবাক (নেসন) অমগা অমগগী মরক্তা নুংশি-মরী চেৎশিন্নবা, মালেমদা শান্তি পুরক্লবা 'য়ুনাইটেদ নেসন্স ওর্গনাইজেসন' লিংখৎখি। মরক মরক অমগা অমগগী মরক্তা উংখৎনবা কয়া থোক্ল'সু মালেম শিন্না মাঙহন তাকহনগদবা মওংদা উংখৎনবা থোক্ত্রিবা - য়ু এনগী আশাদুগী মপান্দগীনি। ঙসিগী মীওইবা খুন্নাইনা লাংতক্লরিবা - কিরিবা, মালেমসিবু থুগায়বা ঙম্বা ন্যুক্লিয়র-খূৎলায় পায়নরকপা, শেন্নহৌদবা মীকুপ অমদা শীজিন্নরক্কদ্রা হায়বসিনা মরুনি। অৱাং কোরিয়া লৈবাকসিবু মালেমনা ঙসি কিরিবা, অমেরিকানা নুংনাংলিবা, মথোঙ হুক্তবা লৈঙাকপদুনা মথোঙ হুক্তবা ৱারেপ অমা লৌরক্কদ্রা! খল্লুবদুননি। অদুবু, অকিবদু আশানা লাকশিন্নবা হোৎনরি।

নহা ওইরিঙৈ তৌগে খনখিবা থবক কয়া পুন্সিগী য়াচঙবা মতম নকশিল্লক্লবসি ফাওবদা তৌবা ঙম্লি হায়বগী মমি ফাওবা উদ্রবা, পূক্লিংদতা মপাল শাবা আশা ওইনা লৈহৌরবা থবক কয়া লৈরি ঙসিসু ঐহাক্কী। আশা অদু ঙসিসু ময়োল কংবা নাইদরি। খল্লি - নোংমা শোয়দনা ঙল্লকখিনি। ইশাগী অশোনবদুবু পাঙ্গল ওন্থোকপা ঙম্বদুনি মায় পাকপা। পুন্সিসিদা হিংববু মায় পাক্তবা য়াদে হায়বা লৈবরা। কনানো'মনা হায়রম্বা মায় পাকপই দিফিনিসন'নি - 'কনাগুম্বা অমত্তবু মায়থীবা পীগে খল্লুদবা'। মীপূম খুদিংগী থম্মোয়বু খোনবা ঙম্বদুনি 'মায় পাকপা'। কনাবুসু নোক্লরুনু, পুম্নমক্কা নোকমিন্নৌ। শাগৎচখিবা মঙলান অমা মঙফাওনহনবা ঙমদববু পুন্সিগী মায়থীবনি খল্লবা, মিক্কি-মাউস-কার্টুন পুথোক্লম্বা ৱাল্ট দিসনি, উচিবু য়াম্না কিজখি, হৈনখিদে। হৈনদবা উচিদুবু মাগী ৱাখল তাইবঙগী হিরো অমা ওইহন্নীংখি। কার্টুন ওইনা য়েক্লগা ৱারী কয়া শাগৎখি। ফিল্ম ওইনা নমথোকখি। কনানসু মৱা লৌবীখিদে, কনানসু য়েংবীখিদে। করেম্নফম ওইরকখি - হৈদি হৈতনা করিগী কার্টুনিষ্ট ওইগে হোৎনরুরিবা! অমুক্তা নত্তে, অনীরক নত্তে। চাম্মা চনীরক হোৎনরবসু মায় পাকপা কার্টুনিষ্ট ওইবা ঙমখিদে। অদুবু মহাক্কী আশা কায়খিদে, হন্না হন্না হোৎনখি। মায় পাকখিদ্রবা, মীনা হন্না য়েংবীদ্রবা মিক্কি-মাউস-কার্টুন-ফিল্ম চহুম হেন্না পুথোক্লবা মতুংদনি - 'মিক্কি মাউস' ফেনোমেনন ওইবা উচি ক্যারেক্টর অমা ওইরকখিবা। বিল্লিয়ন দোল্লর কম্পেনি অমই য়ূম্ফম থোনখিবা। মায় পাকখিদ্রবা হৌখ্রবা মীকুপশিং অদুবু হন্না য়েংদনা, শকউদবা তুংলমচৎকী আশাদুনা লমজিংবা পুন্সি অমা লেল্লকখি।

মশীং লাকঙমদ্রবা মীওইবনি 'পোজিটিব হোপ' অমগা লোয়ননা মালেমসিদা হিংলিবা। পামজবা শিনফম অমদা মতম খরা হোৎনরল্লগা তোকখিবা। নক্লবা ইমুং মনুংনা, লোয়নবা মরুপ মপাংনা, শামান লেংমান্নবা ময়াম্না - পূক্লিং হনজানবা ৱাঙাঙ নত্তনা আশা পীবা ৱাঙাঙদি কৈদৌনুংদা ঙাঙলক্লোই। অদুনা হায় লুচিংবশিংনা … নথম্মোয়গী ৱা নত্তনা কনামত্তই ৱা তারুনু।

মতাংসিদা নীংশিংলকই - অফাওবা সাইন্টিষ্ট, ইনভেন্টর থোমাস অলভা ইদিসনগী ৱারী অমা। মহাক্না পুমকক চাউরকঙৈ নোংমা স্কুল ওজানা ইদিসন'দা 'মমাদা পীনবা চিঠি' অমা পীরকখি। চিঠি অদু পারগা, মচাবু নুংশিনা কোল্লগা কপখি হায়। মথংগী নুমিৎ অদুদগী ইদিসনবু মমানা স্কুলদা থাখিদরে। চহী কয়াগী মতুংদা মমা লৈখিদ্র' মতুংদা মমাগী অমনবা উপুদুগী মনুংদা চেকশিন্না লুনা থল্লম্বা চিঠি অমা থেংনখি। অদুঙৈ, মহাক্না স্কুল তন্লিঙৈ ওজানা পীরকখিবা চিঠিদুনি। চিঠিদুদা ইরমখি … 'নঙগী নচানুপাসি হীরম অমত্তদা চন্নরোই, মহাক্না মরম ওইদুনা স্কুল অসি চেন্থরনি, হয়েংদই স্কুলদা থারক্লনু'। মতমদুদা মমানদি করি হায়রিনো হংবদা 'নঙসি স্কুল অদুদা খ্বাইদই ফবা মহৈরোয়নি হায়দুনা থাগৎ ৱাহৈ পীরক্লিবনি' হায়দুনা মীনমখিবনি। চিঠি অদু পারবা মতুংদা ইদিসন'না মাগী দাইরিদা ইরমখি … 'হীরম অমত্তদা চন্নরোইদবা, মাঙলবা অঙাং অমবু মমানা থোমাস অলভা ইদিসন কৌবা লাইপোক্লম্বা মীশক অমা ওইহনখি'…। মহাক্কী খুন্নাইনা, স্কুলনা হায়নীংবা ৱা হায়রবসু, মহাক্কী মচানুপাদু অচৌবা মী অমা ওইহনগনি অমদি ওইরক্কনি হায়বা আশা অদু মাঙখিদে। ওইথোক্তবদু ওইহল্লকখি।

নীংথিনা মহৈ হৈরবা, হৈ-শিংলবা, তৌবা ঙম্বা নহারোল কয়া ঙসি চন্নদ্রবা মী ওইনা, আশা মাঙখ্রবা মী ওইনা লৈরি। পোলিটিসিয়ন নত্তবা পোলিটিসিয়নগী পোলিটিক্স'না মাঙহল্লবা লৈবাকসিনা মখোয়গী মফম পীবা ঙমদে, মখোয়গী শীজিন্নফম লৈহন্দে। খ্বাইদই লুরিবা অমদি অফবা মী অমত্তনা পোলিটিক্স'তা চঙনীংদে। অফবা খুন্নাই হায়বসি অফবা পোলিটিক্স'না পুরক্কদবনি হায়বসি, আশা য়াওদ্রবা, অকিবনা লাকহৎলবা নহারোলগী ৱাখলদা পোক্ত্রিবসিনি লুরিবা।

*—ইন্দ্রকুমার*

# লাঙ্গোলজম বীরমঙ্গলগী ৱারীমচাগী লাইরিক 'উশিন' - লাইরিক অসিদা মীৎয়েং অমা

মণিপুরী সাহিত্যদা মশাগী খুদোল মরাং কায়না অমসুং লেপ্তুনা তৌদুনা লাক্লিবা লোয়ননা মণিপুরগী মপান্দা মণিপুরী লোল, সাহিত্য অমসুং কলচরবু হিংহন্নবা হোৎনরিবা মরু ওইবা মীশকশিংগী মনুংদা লাঙ্গোলজম বীরমঙ্গলসু অমনি। মহাক ৱেষ্ট ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা নারায়ণ খামারদা ১৯৫৬কী মার্চ ১০দা পোকখি। হৌজিক হৌজিক্লা আগরটলাগী ধলেশ্বর সাউথতা লৈরি। অপোকপা অপোকপীগী মিংনা রতনকুমারঅমসুং গোলাপী কৌই। মচিন মনাও তরেৎকী মনুংদা মহাক্না তরুকশুবনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ইবা পাবা য়াম্না পামজদুনা লাকখি। সাহিত্যবু পামজদুনা লাকপনা বাংলা সাহিত্যদা এম এ লোইশিনখি। মণিপুরী অমসুং বাংলা লোল অনীমক্তা ৱারেং অমসুং ৱারীমচা কয়া ইদুনা ফোঙখ্রে অমসুং লেপ্তুনা ইবগী লম্‌সিদা চঙশিল্লিবা অইবা অমনি। হৌজিক ফাওবদা লাইরিক তরামাথোই ফোঙখ্রে। মহাক্না ইবগী লম্‌দা চঙশিল্লিবা অমদি লৌরিবা থৌদাংবু শকখঙবা ওইনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা কামিনীকুমার গোল্ড মেদল, ত্রিপুরা বাণী প্রকাশনীনা অমূল্য-স্নেহলতা সাহিত্য পুরস্কার, মণিপুরগী সাহিত্য থৌপাং লূপনা থিয়াম ইবোচৌবী নেসনল এৱার্দনচিংবা পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা লৈরে। ত্রিপুরা সরকারনা শেম্বা মণিপুরী লেংগ্বেজ দিভেলপমেনট এদভাইজরি বোর্দকী মেম্বরনি। লোয়ননা সাহিত্য একাদেমিগী মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দকী মেম্বরসু ওইরি। হৌজিক হৌজিক্লা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ত্রিপুরাগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরি।


চৎনবী থাজনবী হায়বসি খুন্নাই অমদা মরা তাদুনা লৈখিবা মরম্না পাক হেক হোংদোকপা য়াদে। থাজনবা হায়বসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা কলচরেল ভেল্যুস কয়াসু শাগৎতুনা চৎনদুনা লাক্লি মালেমদা লৈরিবা খুন্নাইশিংদা। থাজনবা অমসুং চৎনবী হায়বসিনা করিগুম্বদসু খুন্নাই অমদা হিংলিবা মীওইশিংদা পুরোইদবা পোৎলূমসু থাংগৎতুনা পুনদবা নত্তে। অদুগা থাজনবী অসিনা মরম ওইদুনা করিসু লাঞ্জদবা মীওইশিংদা অরানবা মীৎয়েংনা ৱাখলনা পংশা শাগৎতুনা পুন্সি চূপ্পা বদনাম লৈহনবসু থোক্তবা নত্তে। অনধবিশ্বাসকী কুয়োম্না কুপ্তুনা লৈরম্বদগী সাইন্সনা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না অরানবা থাজনবী কয়াদি তপ্না তপ্না খুদম্না অমসুং চাংয়েং তৌদুনা মীৎনা উবদগী অমম্বা ৱাখলদগী মঙাল ফংদুনা অফবা মায়কৈদা লাকপসু য়াওরক্লি। খুদম ওইনা কনাগুম্বা অমা ঙাওনা ফৈনা নাবা মতমদা মদু পোৎশেম যাদুননি, লাই থেংনরুরে হায়বনচিংবদা লান্না থাজদুনা ডাক্তরদা লায়েংবগী মহুত্তা য়ূমদা পুজা তৌবা, লাই খুরুম্বা, মীনা পোৎশেম তৌরক্তুনা থোক্লিবনি হায়বসিদা লান্না থাজবা অসিগুম্বসি খুন্নাইসিদা হেক হেক থোকপা থৌদোকশিংনি। অসিগুম্বসিনা মীওইবগী ৱাখল খনবা ঙম্বগী শক্তি অসি অরনাবা লম্বীদা চিংশিন্দুনা মী মশেল মরক্তা থাজনদবা অমসুং নুংশিনহন্দে। অসিগুম্বা তোয়না থোকপা থৌদোক অমদা য়ূম্ফম ওইদুনা ইরকপা ৱারীমচানি লাঙ্গোলজম বীরমঙ্গলগী 'উশিন'। লাইরিক অসিদা পূন্না ৱারীমচা ১০ য়াওরি। মিংথোল ওইরিবা ৱারীমচা অসিমক পাবদা ওন্থোক্লা নুংঙাই। অয়াম্বা ৱারীমচাশিং অসিমক তেন্তক তেন্তক তৌবা লমায় ২/৩দা লোইনা হায়নীংলিবা ফোঙদোক্লিংলিবা পূম্নমক ময়েক শেংনা ৱারীগী পরিং কায়হন্দনা পাবদা নুংঙাইহল্লগা পীনীংলিবা পাউজেল অদু অসিনি হায়বদু অপাবশিংদা চপ চানা ফোঙদোকপা ঙম্মী। ৱারীমচা ইবগী কলা অসিদা বীরমঙ্গল মায় পাক্লবা অইবনি হায়বসি লাইরিক অসি পাবদা শোয়দনা থেংনবীগনি। ৱারীমচা পাবগী মহাউ অমসু শোয়দনা ফংবীগনি।


লাইরিক্কী মিংথোল ওইরিবা 'উশিন' হায়রিবা ৱারীমচাসিদা চন্দ্রজিনী কৌবী মখ্বাং কোল্লী-কোল্লী তৌরবী চহী মরিফু শুরবী লুখ্রাবী অমগী পুন্সিদা থেংনরিবা মচা মমৌনা থৌওইবীদ্রবী অমনা করিসু লাঞ্জদবদা মমৌনুপীনা লান্না থাজদুনা মশুনুপী রাধাদা উশিন তৌশিল্লে হায়বগী থৌদোক অমদা য়ূম্ফম ওইদুনা ৱারী অসি শেমগৎলকই। চন্দ্রজিনীনা মচা মমৌশিংগা শাওনরকপা খুদিং মবুক্লিং নুংশিরকপা মতমদা মহাক্কী চঙজফম হায়বদু মচেনা পোক্লম্বা মচানুপী থম্বালগীদা নত্তনা অতৈদা চৎলুদে। থম্বালনা মদোমচাবু নুংশিনা থৌগল তৌবী। অসিগুম্বা থৌদোক অসি ইমুং কয়াদা থোক্তবা নত্তে হৌজিক হৌজিকসু। অদুনা অইবনা ইরক্লি অসিগুম্বা থৌদোক অসিদা। "চহী মরিফু শুরক্লবী অহল ওইরবী চন্দ্রজিনীনা ৱাজরিবসি পৈশা লৈতবগী নত্তে। মচা-মমৌনা মপুক্লিং চঙনা অহল ওইবগী সেবা যতন তৌবীদবতা নত্তনা অহোইনদুম তাথী-তাওইনা তৌবীবগীনি" (লা: ৩৪)। করম্বা মমানা মপুক্লিং নুংঙাইনা খুয়া-তুশিৎনা ঈংনা লৈনীংগনি মচানা মমৌনা অসুম্না থৌওইবীদ্রবদা। তুরেলগী ঈচেল হঙ্গৎনা চেন্দে হায়বদু চুমগদৌরিব্রা হায়বা ৱাহং হংনীংহল্লি। মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু নুংশিজবগা মচাশিংনা মমৌশিংনা মনেম মকু নুংশিবগা অসুক খেন্নরিবসি করিগীনো হায়বা খন্থহল্লি। মীওই খুদিংমক নোংমদি অহল মতম ওইরক্কনি নহা অদুম ওইদুনা লৈয়ু হায়বা য়ারোই। মচা মশুশিংবু চাওনবা য়োক্লক্লিবা অহল লমনশিংদা মচা মমৌনা মীনুংশিগী ইরিক অদু খিল্লকত্রবদা চন্দ্রজিনি মচেনা পোকচরম্বী মচানুপী থম্বালগী মনাক্তা মতম খরা লৈরুরগে খন্দুনা লাক্লবা হোৎনবদা মমৌনুপী, মাবু তাথী তাওইনা হেক হেক তৌবী অদুগী মচানুপী রাধানা ময়ূম পাল্লিবা লৈকায় অদুগা থম্বালনা লৈরিবা অদুগা লৈকায় অমত্তা ওইবদুদা মনেম্বোক্তা মশুনুপীগী পোৎচৈ খরা পীরম্নবা ওটো দ্রাইভরদা শিন্নরকখি। চন্দ্রজিনীনা থম্বালগী মনাক্তা লৈহৌরবা মতুংদা থম্বালগী মচানুপা অনিলনা ওটো অদুদগী পুশিল্লকপা পোৎ চৈ মরক্তা অতোপ্পা পোৎয়োম অমা য়াওরম্বা থেংনখি। মদু রাধাদা পীনবা পোৎ চৈ খরা মমৌনুপীনা হাপ্লকপদুদা খরা চিংখহৌরে খন্দুনা চন্দ্রজিনীনা মশুনুপা অনিলদা পোৎয়োম অদু রাধাগীদা থিলহনলুখি অসোমদা মমানা পীরকপা পোৎ চৈশিংদি ওটো দ্রাইভর অদুনা লোইনা পীরমদুনা রাধানা মমাগা পাউ ফাওনখি করি করি পোৎ পীরকপগে হায়বদু। অদুনা কোন্না অনিলনা পোৎয়োম অমা থিল্লকপা অদুদা রাধাসু অদুগা রাধাগী মনেমবোক্লসু য়াম্না চিংনখি। লৈকায়দা লৈবা মাইবা অমদা য়েংহনবদা রাধাগী মপোক চন্দ্রজিনীনা উশিন তৌরকপনি হায়রকখি। মখোয়না চিংনরম্বদু চুম্লে হায়দুনা রাধাগী মনেম্বোক, রাধা অমসুং মমাদা মবোক্লা ফৌ ময়োম অমা পীরক্তুনা উশিন তৌশিল্লে হায়দুনা করিসু খঙজদ্রবী মবোক চন্দ্রজিনীদা বদনাম শীখি। চন্দ্রজিনীগী মপুরোইবনা লৈখিদবদুসু মহাকননি অদুগা মচানুপা অমা য়ু থকমন্দুনা শিখিবা অদুসু মমাননি অদুগা হৌজিকসু অমুক মশুনুপীগী পুন্সি তেন্নবা অদুগা মবোক্কী পুন্সি শাংনবা পোৎশেম তৌরে, ফৌদা উশিন তৌরে হায়দুনা লৈকায় ৱা ৱা লাওহনখি। মরাল শুংলৈ লৈজদবী চন্দ্রজিনী শাথীনা ৱাখি। মানা য়াম্না নুংশিজবী মচেনা পোকচরম্বী থম্বাল ফাওবনা মদোমচাদা চিংননা হংলকপদা খাংবা ঙমখিদে। অদুবু ৱারী অসিনা লোইশিল্লকপদা চন্দ্রজিনীনা মচানুপী থম্বালদা ওটো দ্রাইভর অদুগী ফোন নম্বর অদু থিরগা অমুক্তা ফোন তৌদুনা হংসি হায়দুনা ফোন তৌরগা হংবদদি ওটো দ্রাইভর অদুনা ব্লোক ওফিসতগী লৌরকপা অতাঙবা হায়ব্রিদ ফৌদি ময়োম অমা মাগী গাড়ীদগী কন্দায়দা তাহৌরবনো হায়দুনা কোয়থি থিখিবা অদু ওইরমখি। ওটো দ্রাইভর সামিরনা ফৌদি ময়োম লৈরম্লগী হরাওবা শক্তম মরক্তা চন্দ্রজিনিদনা মহাদশা তাবা অদুগা কোকলরোইদবা বদনাম অমা পীশিনবা অনীগী ফজরবা ৱারীগী খুলাম্থোক অসিনা অপাবশিংদা পূক্লিং থম্মোয়বু শেংদোকহনবা নুংঙাইবা মখল অমা ফাওহল্লি। মীবু প্রমান লৈতনা লান্না ৱাখলনা শাগৎতুনা ফত্তনা ঙাক খনবা অসিবু ফত্তে হায়বদু ৱারীমচা অসিনা তাক্লি। অদুগা খুন্নাই অসিদা থাজনবা অমা ওইনা পোৎশেম যাদু তৌবা উশিন তৌবা হায়বসিনা মীওই অমগী পুন্সিদা কয়া য়াম্না অৱাবা পীবগে হায়বদুসু ফোঙদোক্লি। ইমুং কয়াগী অমসুং খুন্নাইগী মমশিল্লবা শক্তম অমা অইবনা পুথোক্তুনা নৈনদুনা মসিদি ফত্তে হায়বদু ৱাহৈ খরদা ফীভম খরদা নিংথিজনা ফোঙদোকপা অসিমক মায় পাক্লে হায়নীংই।

অইবগী ৱারীমচাশিংদা খুন্নাইবু কূপ্না য়েংদুনা মসিদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং য়াম্না হৈনা-শিংনা লাচন্নবা হোৎনবা থেংনৈ। কোভিদ মতমদা থেংনখিবা অৱাবশিং, অমাং অশেংগী পল, লাইনীং লম্বী অমসুং চৎনবীগী অৱাবশিং, মীশিং য়াম্বা কাঙলূপ্না মশীং লিক্লা লৈবা কাঙলূপশিংদা য়েংলিবা মীৎয়েং, থবক ফংদবগী অৱাবা, ইমালোনগী, কলচরগী অমসুং আইদেন্টিটিগী ইস্যুশিং, টেক্নোলোজিগী লাক্লিবা অহোংবশিংদা হৌজিক্কী মীরোল অমসুং হান্নগী মীরোলদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমসুং মীনুংশি হায়বদু করিবু কৌবগে হায়বনচিংবা তোঙান তোঙানবা থিমশিংদা ৱারীগী য়াংলেন ওইদুনা অপাবশিংদা ৱারীমচাগী মহাউ ফজনা পীরি।

ত্রিপুরাদা মণিপুরীশিংনা মশাগী লোল ময়েক অমসুং চৎনবী থাজনবী ঙাক্লা অমসুং মসিবু হিংনবা লেপ্তুনা হোৎনরি হায়বসি লমদম অসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা ইরকপা লাইরিকশিং অমসুং মখোয়গী থবক থৌরমশিংদা মমি তারি। মীশিং লিক্লা লৈরবসু থৌনা লৈনা হিংলি, মচা মশুশিং নীংথিজনা মী ওইনবা শেম্নরি। বাংলা লোলনা মপূং ওইনা ঙাঙনবা লমদমদা কমদৌনা মণিপুরী অমা ওইনা মশাগী কলচর অমসুং ত্রেদিসন ঙাক্লা হিংলিবগে হায়বদু বীরমঙ্গলগী ৱারীমচাদা মরীক চুম্না ফজরবা নেরেটিভতা থেংনৈ। মণিপুরী খোরিরোলগী পুক্কৈদা লেপ্তুনা ফজরবা ৱারীমচাশিং ইরকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি।

*—তোংব্রম অমরজিৎ*





লাইরিক্কী মমিং :-
**উশিন (২০২০)**
অইবা :- **লাঙ্গোলজম বীরমঙ্গল**
অফোঙবা :- **সতীনাথ সরকার,**
**ত্রিপুরাবাণী প্রকাশনী দত্ত সুপার মার্কেট,**
**শকুন্তলা রোদ, আগরতলা**
লাইরিক্কী মখল :- **ৱারীমচা**
লাইরিক্কী মখুম :- **এন জোগেশ্বর অপু**
লমায় মশীং :- **১২৮**
লাইরিক্কী মমল :- **লুপা ২০০/-**





## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫১

১) **''লমজিংবা''** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **''তৎলবা য়োলহিং লক্তা শমজিন্নবা''** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে?

৩) **''হৌগৎলোনে চান্নবী থোং হাংদোক্লো''** কৌবা লাইরিক অসি মণিপুর মপান লমগী অইবা অমনা ইবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **''য়িমুং কোকফাই শৌ। ফদি ফরালৈ। ১০ চাকথম। চাগুম খুজামলত। চাকখুম লুখাক ৱাইতৈনা। ফকলাং মিরাংখা। লকাং মারি য়াল। লাকুম শিংগুম। ফুলৈ রাবাদা। শিদবী ঐনা মাই ওনশনদেয়।''** ৱাহৈ পরেং খরা অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

৫) **''নীংশিংলি হৌখ্রবা মতমদো''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (২,৩,৪)
২) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
৩) থোংগ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১)
৪) হৈস্নাম মাইকেল, শীংজমৈ চীংঙামখা নিংথৌজম লৈকায় - (১,৪)
৫) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,২,৪)
৬) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৪)
৭) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনিং লৈকায় - (১,৩,৪,৫)
৮) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৫০গী ৱিন্নর*

***মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৫০গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০গী পাউখুম

১) **''মণিপুর গৌর লীলা''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- শ্রীমতি থোকচোম নিংঙোল বৃন্দাশাবী দেবী, অহানবা ফোঙবা ২০০৮।**

২) E.F. Watling না ইংরাজিদা হন্দোকপা, The Theban plays, Penguin Books, 1947 তা ফোঙখ্রবা King Oedipus তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? **:- খাইদেম নবকুমার সিংহ, অহানবা ফোঙবা ১৯৭৬।**

৩) **''মনোরমা''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা-টি ব্রজগোপাল শর্ম্মা।**

৪) **''অপীকপা নুংশা শ্বর''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো? **:- অইবা-বুধিচন্দ্র হৈস্নাম্বা, লাইরিক্কী মখল ৱারীমচা, অহানবা ফোঙবা ২০০৬।**

৫) **''ঐনা ঈশৈ শক্লগা শক্লিবা/ঐনা লাউরগসু লাউরিবা/ফনা মান্নরি ঐগী খোন্দাগসু/কনানো শকউদবা নহাকপু''** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোকপনো ? **:- অইবা-হিজম ইরাবতনা ইবা শৈরেংগী লাইরিক 'শৈদম শৈরেং' দা য়াওবা শৈরেংনি। শৈরেংগী মমিং 'খোন্থাঙ' অহানবা ফোঙবা-১৯২৯।**

# অপঙবা ময়াম্বা

থায়না মমাঙঙৈদা হনুবা অমগী মচানুপা অনীখক লৈরম্মী। মচানুপা অহলদি পঙই, অদুগা মচানুপা অতোম্বদি য়াম্না শীংই। অহল ওইরবা মপানা শিখ্রবদা মচিল মনাও অনীনা মপানা থনম্বা ষণবী, হৈনৌ পাম্বী, কাংখল অহুম অদু য়েন্নরে। "তাদনা অহলনি অহলনা মকোক লৌফম থোকই হায়দুনা মপানা থনম্বা ষণবী অদু মকোক্তগীনা তঞ্খাই অমা ময়াম্বদা পীরে, অদুগা লেমহৌবা তঞ্খাই মমৈ ফাওবা অদুনা মাগী ওইরে। হৈনৌ পাম্বী অদুসু মখোঙদগী মউ তঞ্খাই অমা ময়াম্বদা পীরে, লেমহৌবা মসা মরেং লোংবা মতোনগী শরুক অদুনা মানা লৌই। কাংখল অদু ময়াম্বদা অয়ূক নুংথিলদা শীজিন্নৌ পী, অদুগা নুংদাংদনা মানা খল্লি। অসুম্না মপানা থনম্বা পোৎ চৈশিং অদু য়েন্থোক্লবদা ময়াম্বা অদুদি পঙবনিনা মনাওনা হায়রিবা মখৈ হরাও হরাওনা য়ারে।

নোংমা ষণবী অদুনা মীগী ইঞ্খোলদা চঙদুনা এঞ্জাং নাপী চারুবদা তাদগী শরুক মকোক্লা চারুবনি ঐদি শিংফম থোক্তে হায়দুনা মনাও নুপানা শিংঙু য়াদদুনা ময়াম্বনা শিংই। ষণবী অদুনা চানবা শজিকসু নুমিৎ খুদিংগী ময়াম্বনা ফাল্লি, মরমদি শজিক অদু মাগী শরুক মকোক্লা চাবনি। অদুগা ষণবী অদুনা মচা পোক্লকপা মতমদা মনাও নুপানা লৌই, মখোমসু মানা চাই। মহাক্কী শরুক তঞ্খাই অদুনা পীবা শঙ্গোমনি হায়দুনা ময়াম্বদা পীজদে। হৈনৌ মনা কেনবদা মনাওনুপানা খুন্দুনা মৈ থানৈ, হৈনৌ পাল্লক্লবসু মাগী শরুক মসা মরেংদা পানবনি হায়দুনা মানা ফংই। নুমিদাংদা কাং চিকপা মতমদনা কাংখল অদুসু মানা খন্নে। অদুগা কাং চিক্তবা অয়ূক নুংথিন্দনা ময়াম্বদা পী।

অসুম্না মতম খরা হৌখ্রে। অশিংবা মনাও নুপাগী ফত্তবা পুকচেলদু উবদা কৈরোই লৈকায়গী অহল লমন্না অপঙবা ময়াম্বা অদুদা লৌশিং তাকপীরে। ময়াম্না ইনশিনবদু ইন্দুনা ময়াম্বদু শাউরে মনাও নুপা কৌরগা "ইবুংঙো! ইয়াম্বগী শরুক ষণবী মকোক অসিনা চানবা নুমিৎ খুদিংগী শজিক ফানবদা ইয়াম্বা য়াম্না ৱারে। মীগী ইঞ্খোলদা চঙদুনা এঞ্জাং নাপীসু চারুদনবা শজিকসু ফান্দনবা ঐগী শরুক মকোক অসি ককথৎলগা মীঙোন্দা য়োম্থোকখ্রগে" হায়রকই। ময়াম্বগী ৱাদু তাবদা মনাওনুপা অদু নুংশা থীরে। কনাগুম্বা মী অমনা ইনশিনবনি খঙলদুনা তাদগী শরুক মকোক অদু ককথৎখ্রবদি ষণবী অসি শিবা তারে। অদুনা ঙসিদগী হৌদুনা ঐখোয় অনী চঙদুনা ষণবী অসিনা চানবা শজিক অদু ফানমিন্নরসি, ষণনাও অসিসু ঐখোয় অনীগী ওইরসি, শঙ্গোমসু চামিন্নরসি। মনাও নুপাগী অচুম্বা ৱাদু তাবদা ময়াম্বসু য়ারে।

নোংঙাল্লগা ময়াম্বনা শিংজং পুদুনা লাক্লগা মাগী শরুক হৈনৌ পাম্বীগী মখোক্তু শীংজংনা ককথৎলগা শীং থাদোক্লগে হায়ররে। ময়াম্বগী ৱাদু তাবদা মনাও নুপানা তাদগী শরুক মখোক অসি ককথৎলবদি হৈনৌ পাম্বী অসি শিরগনি। অদুনা ঐগী শরুক মসা মরেংদা পাল্লিবা মনা খুল্লগা ঐখোয় অনী শীং থামিন্নসি, অপানবা হৈনৌসু চামিন্নরসি হায়রকপা মনাও নুপাগী ৱাদু ময়াম্বসু য়ারে।

নোংমা অমনা ময়াম্বনা কাংখল অদু অয়ূক নুংথিলদা ঈশিংদা তিংদুনা থল্লগা নুমিদাংদা মনাও নুপাদা পী। কাংখল চোক্তুনা মনাও নুপা অদু নুমিদাংদা খনবা য়াদদুনা কাং চিক্লে। নোংঙাল্লগা মনাও নুপানা কাংখল অসি তাদনা নুমিৎ খুদিংগী ঈশিংদা তিংলবদি খনবসু য়াররোই থুনা শেগায়রগনি। অদুনা ঐখোয় অনীনা কাংখল অসি নোংমা নোংমা খন্নসি। অসুম্না মমৈথংদা মচিন মনাও অনীদু শিংবা মান্নদুনা পূন্না লৈমিন্নরে। পুকচেল খোয়জেল তিন্ননা নোম্মিন্নবদগী মমৈথংদা মচিন মনাও অনীদু অৱাৎ অপা লৈতনা নুংঙাইনা পানমিন্নখি।

**-সরাংথেম বরমনি, সাহিত্য ভুষন**

(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'চীং-তমগী ফুঙ্গা ৱারী' দগী লৌখৎচবা)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।